ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯠꯁ
হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস





এসিয়াগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবদা লৈরিবা এ এফ সী কপতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব বেঙ্গলুরু এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা নেপালগী ক্লব ট্রিভুবন আর্মিগা শান্নগদবা অদুগীদমক শেম শারি হায়না ফোঙদোকখিবা কেপ্টেন সুনিল ছেত্রি

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইননবা কন্না হোৎনরিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী এথলিটশিংনা মথং থাদা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড রিলে কম্পিটিসনদা অকনবা মওংদা শেম শারিবা মেম্বর অমা ওইরিবী নেসনল চেম্পিয়ন দুটি চান্দ



# সঞ্জু সেমসনগী রন ১১৯না রাজস্থান রোয়েলসপু পঞ্জাব কিংসকা লম্বা তৌনবদা রন ৪দা মায়থীবা নংবদগী কনবা ঙমখিদ্রে



মুম্বাই, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি মুম্বাইদা লৈবা ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৪শুবা মেটচতা রাজস্থান রোয়েলসপু পঞ্জাব কিংসনা রন ৪দা য়াম্না নক্লবা লম্বাদা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস রাজস্থান রোয়েলসনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা পঞ্জাব কিংসকী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা স্কোর অমা থমদুনা অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন ৬ খক আউট ওইরগা রন ২২১ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুগী হৌরকপদা রাহুলনা রাজস্থান রোয়েলসকী এটেক অদুবু য়াম্না ফজনা মায়োক্লখি। পার্টনরশিপ অমা ফজনা শেম্বা ঙমদ্রবসু ঙন্না আউট ওইখিবাময়াঙ্ক অগরৱালগী মহুৎ শিল্লকখিবা খৃষ্ট গেল অমদি রাহুলনা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপতা রন ৬৭ হাপচিনবা ঙমখি। খৃষ্ট গেল শুপ্নগী বোল ২৮দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৪০ লৌরমখি। মদুগী মতুং দিপক হুদা শান্নবা চঙলকখি। দিপক হুদা অমদি রাহুলনা পঞ্জাব কিংসকী অপূনবা স্কোর অদু ১৯৪ য়ৌহল্লকখি। হুদানা শুপ্নগী বোল ২৮দা সিক্স ৬ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৬৪ লৌরমখি। মখা তারকপা বেটসমেনশিং ফজবা ঙমখিদে। অদুবু ওপনর রাহুলগী ইন্নিংস অদু বোল ৫০দা সিক্স ৫ অমসুং ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৯১ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর অদু ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২২১ লৌবা ঙমখিবনি।

রাজস্থান রোয়েলসকী মায়কৈদগী বোলর চেতন সকারিয়ানা পঞ্জাব কিংসকী বেটসমেন ৩ আউট তাহনুনা খ্বাইদগী ফজখি। মহাক্কী মতুং খৃষ্ট মোরিসনা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি।

মেটচ অদু মায় পাক্লনবা রাজস্থান রোয়েলসনা ওভর ২০দা রন ২২২ লৌবা তাখি। মদু হোৎনরকপদা টিম অদুগী অহানবা ৱিকেট ২ রন ২৫দা আউট ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন সঞ্জু সেমসন অমসুং জোস বটলরনা ইন্নিংস শেমগৎলকখি। অপূনবা স্কোর ৭০ শুরকপদা জোস বটলর রন ২৫দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা সিবম দুবে অমদি রাহুলনা ইন্নিংসকী স্কোর অদু ১২৩ ফাওবা য়ৌহল্লকখি। দুবে বোল ১৫দা রন ২৩ লৌরম্লগা আউট ওইখি। রিয়ান পরাক শান্নবা চঙলকখি। মহাক্কা সঞ্জু সেমসননা ইন্নিংসকী স্কোর অদু ১৭৫ ফাওবা য়ৌহল্লকখি। পরাক বোল ১১দা রন ২৫ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মরক অদুদা সঞ্জু সেমসন য়াম্না ফজবা মওংদা রন ১০০ লাম্থোকপা ঙমখি। ৭শুবা বেটসমেন রাহুল টিৱাটিয়া শান্নবা চঙলকখি। অদুবু অপূনবা স্কোর ২০১ শুরকপদা মহাক রন ২খক লৌরম্লগা আউট ওইখি।

অরোইবা ওভরদা সঞ্জু সেমসন অমসুং খৃষ্ট মোরিসনা লম্বা তৌরকখি। মায় পাক্কদবা রন ২২২ লৌনবা হোৎনবদা অরোইবা বোল ফাওবা লম্বা পীখি। সঞ্জু সেমসননা ইন্নিংসকী অরোইবা বোলদা রন ৫ লৌরগা মায় পাক্কদবা অদু অর্সদিপ সিংহনা আউট তাহন্দুনা মেটচ অদু পঞ্জাব কিংসনা রন ৪দা থোইখি। সঞ্জুগী রন ১১৯ অরেম্বা তাখি।

# আই এস দল্লিয়ু এ আইবু নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসন অমা ওইহনখিববু চেলেঞ্জ তৌরক্লি

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী):

রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা আই এস দল্লিয়ু এ আই (ইন্দিয়ন ষ্টাইল রেষ্টলিং এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া)বু নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসন অমা ওইনা রিকগ্নাইজ তৌখিবা অদু স্পোর্টস কোদকী ভাইওলেসন তৌবনি হায়রদুনা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা অইবা ওইনা চেলেঞ্জ তৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা থাদা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা আই এস দল্লিয়ু এ আইবু ট্রেদিসনেল ওইবা মদ রেষ্টলিং মশান্না (দঙ্গাল) অসিবু য়েংশিন্নবগীদমক্তা নেসনল ফেদরেসন অমা ওইনা রিকগ্নাইজ তৌখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা আই এস দল্লিয়ু এ আই অসি স্পোর্টস কোদ ২০১১ দা পীরিবা ক্রাইটরিয়াশিং অদু মপূং ফাহনবা ঙমদে। মসিদসু নৎতনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা রেষ্টলিং মশান্না অসি য়েংশিন্নবগীদমক্তা ফেদরেসন অনী লৈবা য়ারোই হায়না চেলেঞ্জ তৌরকপনি।

রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সোর্ছ অমগী মতুংইন্না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা আই এস দল্লিয়ু এ আইবু করম্বা মায়কৈদা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসন অমনি হায়না রিকগ্নাইজ তৌখিবনো। মসিগী মতাংদা হৌখিবা থাগী ২৩দা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা অইবা চেরোল পীখ্রবনি। স্পোর্টস কোদতা ময়েক শেংনা ইরিবা ৱাফমদি মশান্না অমগী ওইনা লৈবাক অসিদা ফেদরেসন অনী লৈবা য়ারোই হায়বসিনি।

মিনিষ্ট্রিদা ইখিবা চেরোল অদুদা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখিবদা আই এস দল্লিয়ু এ আইবু নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসন অমনি হায়না রিকগ্নাইজ তৌরমদাই অদুদা তান্নরমদবা করিগীনো। মমাংদা দেফ এন্দ দম্ব রেষ্টলরশিংগী ওইবা এসোসিএসন শেল্লমদাইদা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগা তান্নরমখিবা অদুগুম্না হন্দক্কী মতাং অসিদা তান্নরমদবা করিগীনো হায়না হংলি। মমাংদা দেফ এন্দ দম্ব রেষ্টলরশিংগী ওইবা এসোসিএসন শেল্লমদাইদা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াদা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা কম্মেন্ট পীরক্লবা খঙহনবা লৈখিবনি।

পনবা য়াবদি, দল্লিয়ু এফ আই অমসুং আই এস দল্লিয়ু এ আইগী মরক্তা কুমজা ২০১৮দগী হৌরগা চয়েৎনবা কয়া লাকখ্রবনি। স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা দল্লিয়ু এফ আইবু লিগেল দিস্প্যুটতা চিংশিন্নবা হোৎনরোইদবনি। স্পোর্টস কোদকী ক্লোজ ৩.৮দা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অমা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকপদা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসন অমা ওইগদবনি। হৌখিবা চহী ২দা দল্লিয়ু এফ আইনা মদ রেষ্টলিং নেসনল পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

# মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা টোটেনহাম হোটস্পর থোইখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী):

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ঙরাং শান্নখিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরবু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলদা হান্না অনীশুবা পোজিসনদা লৈরম্বা অদু মখা তানা লৈবা ঙল্লি।

টোটেনহাম হোটস্পরনা য়ূম্বু ওইদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী পুংখায় অমরোম ফাওবদি টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙম্লখিদে। শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা য়ূম্বু ক্লব অদুগী মায়কৈদগী লুকাস মোরোনা পীরকপা বোল অমদা হিয়ুং মিন সোননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপা মিনট ১২ চঙশিল্লকপদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ফ্রেদনা ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং মিনট ২০ লোম টিম অনীমক মখা তাবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু মেটচকী ৭৯শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী মেসন গ্রিনৱুদনা পীরকপা বোলদা ইদিন্সন কবানিনা পাঞ্জল ১ চল্লগা ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোয়শিংনা ইক্কেলাইজর ফংনবা য়াম্না কন্না তকশিল্লকখি।

অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিনখি। ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৬শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী পোল পোগবানা পীবা বোলদা মেসন গ্রিনৱুদনা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচ অদু ৩-১দা থোইবা ঙমখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা মমাংদা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা অর্সনেলনা শেফিল্ড য়ুনাইটেদপু ৩-০দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অদুদা অর্সনেলগী মায়কৈদগী অলেকজেন্দর লাকাজেটনা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা অর্সনেলগী দেনিএল সেবালোসনা পীরকপা বোলদা অলেকজেন্দর লাকাজেটনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ২০ লোম মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা লৈখিদে। শেফিল্ড য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ফংনবা কন্না হোৎনরকখিবনি। মদু ঙমদ্রিঙৈ অর্সনেলগী গেব্রিএল মার্টিনেলিনা ৭১শুবা মিনটতা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। শান্নবা লোইগদবা মিনট ৫দা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা মখা তানা এটেক হেন্না চথবা ঙমখিবা অর্সনেলগী মায়কৈদগী থোমাসনা খায়দোরকপা বোলদা অলেকজেন্দর লাকাজেটনা পাঞ্জল ১ চল্লগা ৩-০দা থোইখি।

# এটলেটিকো মাদ্রিদ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট টেলবদা লুচিংবা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী):

রিয়াল বেটিসনা য়ূম্বু ওইরগা ক্লব অদুগী ষ্টেদিয়ম বেনিটো ভিলামারিন ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা লালিগাগী ৩০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা হান্না পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংদুনা লৈরম্বদগী রিয়াল মাদ্রিদকা পোইন্ট মান্নরগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী মেটচ অদু দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১ ফংলগা রিয়াল মাদ্রিদতগী অমা হাইগৎলগা মকোক থোংবা ঙমখ্রে।

রিয়াল বেটিসকী মায়কৈদা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না ঙন্না চথরকখিবা এটেক অমদা কান্নবা ফংখি। এঞ্জেল কোরিয়ানা পাস তৌরকপা বোল অমা য়ানিক কারাস্কোনা শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চন্দুনা মাঙজিল থাখি। অদুবু রিয়াল বেটিসকী মায়কৈদগী মিনট ১৫ লৈরগা টিম অদুগী শান্নরোয় অলেক্স মোরিনোনা ফংখিবা বোল অমা মতাং মতম চানা ইন্থোরকপদগী টিমমেট কৃষ্টিয়ন তেলোনা ২০শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনী ১-১দা লৈনদুনা লম্বা অমুক হন্না হৌখি।

অহানবা হাফকী মতম লোইশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা লালিগাগী পোইন্ট টেবলদা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা রিয়াল বেটিসনা য়াম্না অকনবা লম্বা পীদুনা মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদপু হীরম খূদিংমক্তা চাং মান্নখি। মদুনা মরম ওইরগা অনীশুবা হাফ অদুদসু অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা নাকল অনীমক্তুগী হাপচিনবা ঙম্লদবদগী মেটচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি। দ্রো অদুনা মরম ওইদুনা এটলেটিকো মাদ্রিদ পোইন্ট ৬৭ ফংলগা রিয়াল মাদ্রিদতগী পোইন্ট ১ হেল্লগা লৈরিবনি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা হান্না ৬শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা রিয়াল সোসাইদেদনা ভেলেন্সিয়াগা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎতুনা মঙাশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা ৩৩শুবা মিনটতা রিয়াল সোসাইদেদকী মিকেল ওয়াজাবলগী পাস অমদা এন্দর গুইভারানা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। হাফ অদুগী অরোইবা মিনটতা মখা তানা রিয়াল সোসাইদেদকী অলেকজেন্দর ইজাকনা এন্দর গুইভারাগী পাসতা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা হাফ অদু লোইশিনখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফতা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোয়শিংনা তকখায়বা হৌরকখি। ৬০শুবা মিনটতা দেনিএল ৱাশনা পাঞ্জল ১ চল্লবা মতুং ৭৩শুবা মিনটতা গেব্রিএল পোলিস্তানা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা ২-২দা দ্রো চৎখি।

# লিওননা এঞ্জর্সপু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা ফজবা ঙমখ্রে

পেরিস, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী):

ফ্রান্সতা পাঙথোকপা লীগ ৱানগী ৩২শুবা লীগ মেটচতা লিওন ফুটবোল ক্লবনা এঞ্জর্সপু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা ২১শুবা মিনটতা লিওনগী মায়কৈদগী মেমফিস দিপেনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মদুগী মখা তারকপা টিম অদুগী অহেনবা এটেকতা টিম অদুগী শান্নরোয় লুকাস পাকিতানা ৪১শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু শান্নবা লোইগদবা মিনট ৭তা ঙাইরবা মতমদা লিওনগী লুকাস পাকিতানা ফজবা পাস অমা তৌদুনা টিমমেট মেমফিস দিপেনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা এঞ্জর্সপু মখোয়না ৩-০দা থোইবা ঙমখি।

মায় পাক্লবা লিওন রাউন্দ ৩২ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৬৪ ফংলগা ৪শুবা পোজিসনদা লৈরি। লীগ অসিদা লিলনা পোইন্ট ৬৯ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

# অটলান্টানা ফ্যুরেন্টিনাবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইবা ঙমখ্রে


রোম, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী):

সেরি এগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অটলান্টানা ফ্যুরেন্টিনাবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অটলান্টাগী মায়কৈদগী ফজবা হেন্দুনা ফ্যুরেন্টিনাবু খূদুম চনবা ঙমখি। ১৩শুবা মিনটতা রস্লান মলিনোবস্কিগী বোলদা টিমমেট দুবান জাপাটানা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। শান্নরোয় অনীগী কম্বিনেসননা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদুসু ৪০শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। রস্লানগী বোলদা জাপাটানা চনখিবনি।

হাফ মতুংদা ফ্যুরেন্টিনাগী মায়কৈদগী অমুক বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মদুগী কান্নবসু অথুবা মতমদা ফংখি। ৫৭শুবা মিনটতা টিম অদুগী মার্টিন কাসেভসনা পীরকপা বোলদা দুসান বাহোবিসনা পাঞ্জল ১ চনবা হৌখি। মিনট ৯ লৈরগা খৃষ্টিয়ন কোমেনা পীরকপা বোলদা দুসাননা ইক্কেলাইজর অদু ৬৬শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অদুবু ৭০শুবা মিনটতা অটলান্টাগী জোসিক ইলিসিকনা ৩শুবা পাঞ্জল চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ৩-২দা থোইখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 78

**Karjakin, Sergey (2660) - Anand, Viswanathan (2792)**
**Corus A Wijk aan Zee NED (1), 2006.01.14**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 |
| 5.Nc3 a6 | 6.Be3 e5 | 7.Nb3 Be6 | 8.f3 Be7 |
| 9.Qd2 O-O | 10.O-O-O Nbd7 | 11.g4 b5 | 12.g5 b4 |
| 13.Ne2 Ne8 | 14.f4 a5 | 15.f5 a4 | 16.Nbd4 exd4 |
| 17.Nxd4 b3 | 18.Kb1 bxc2+ | 19.Nxc2 Bb3 | 20.axb3 axb3 |
| 21.Na3 Ne5 | 22.h4 Ra5 | 23.Qc3 Qa8 | 24.Bg2 Nc7 |
| 25.Qxc7 Rc8 | 26.Qxe7 Nc4 | 27.g6 hxg6 | 28.fxg6 Nxa3+ |
| 29.bxa3 Rxa3 | 30.gxf7+ Kh7 | 31.f8=N+ Rxf8 | 32.Qxf8 Ra1+ |
| 33.Kb2 Ra2+ | 34.Kc3 Qa5+ | 35.Kd3... | |

**QUESTION :**

**Black wins in 5 moves**

**Puzzle 77 Ans. :**

**35.**...Rxf7 **36.**Qh8+The white queen decoys Black's king. The white queen deflects Black's king away from protecting the rook.Kxh8 **37.**Nxf7+The white knight forks Black's queen and king.Kg7 **38.**Nxg5

**36.**Qh8+

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯂꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021


Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi



1ST POSITION 2020

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

TOPPERS of 2020



9TH POSITION NOVEENA KSH D/o. Sarvodayachand Nirmalabas
10TH POSITION CHALTAN Y. S/o. Y. Shantikumar St. Joseph
15TH POSITION TH. JEET S/o. Th. Rashi St. Joseph
19TH POSITION DHANTHOI S. D/o. S. Homeshor Nirmalabas
19TH POSITION MARY L. D/o. Dr. John P. Little Flower
25TH POSITION H. NANDIBALA D/o.H. Nandalal Nirmalabas
25TH POSITION HENRY O S/o. O. Kumud St. Joseph

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Exam - Time 1p.m. to 4 p.m. | Date | 22/03/2021 | 24/03/21 | 27/03/21 | 03/04/21 | 05/04/21 | 08/04/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | Sub: | Maths | MIL | S. Sc. | Science | English | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6894/3/4-31/5

MEGA MOCK TEST FOR X AND XII
THE 7TH PREMILINARY SAMPLE OF HSLC AND COHSEM EXAM 2021 – 22
CONDUCTED BY – HUMAN RESOURCE CENTRE

NO EXAM FEE
CASE PRIZE OF 3 LAKHS + SCHOLARSHIP OF ONE YEAR WITH MOMENTO AND CERTIFICATE TO ALL THE POSITION HOLDERS
NO EXAM FEE

LAST DATE OF FORM SUBMISSION – 24TH APRIL 2021.
- QUESTIONS WILL THE SAME PATTERN OF BOSEM & COHSEM EXAM.
- TO AIM IN SCORING HIGHEST MARK IN THE COMING BOSEM & COHSEM EXAM.

FIRST COME FIRST SERVE ONLY 500 STUDENTS EACH INTAKE UNDER SOP GUIDELINE

CLASS X

| SUBJECT | EXAM DATE |
|---|---|
| 1. MATHS | – 26/04/'21 |
| 2. SCIENCE | –28/04/'21 |
| 3. ENGLISH | –30/04/'21 |
| 4. SOCIAL Sc. | –02/05/'21 |

CLASS XII

| SUBJECT | EXAM DATE |
|---|---|
| 1. MATHS | – 25/04/'21 |
| 2. PHYSICS | – 27/04/'21 |
| 3. CHEMISTRY | –29/04/'21 |
| 4. BIOLOGY | –01/05/'21 |

FORM WILL BE AVAILABLE
@ ADVANCED COACHING INSTITUTE
NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI
FOR QUERY : 9862992105

HL-B/6869/23/3-23/5 (alt)